## এডিটোরিয়েল

# মাইনর ইরিগেসনগী ৱাথোক

*ষ্টেট অসিদা খ্বাইদগী মরুওইবা ইন্দষ্ট্রি অসি এগ্রীকলচরেল ইন্দষ্ট্রি অসিনি। মসিনা তাকপদি লৌউ শিংউগী থবক্লা লমদমসিগী মরুওইবা মশিং য়াম্বা পোপুলেসনগী প্রোফেসন অমনি অমসুং লৌউ শিংউ নত্তনা মপুং ফাবা ইন্দষ্ট্রি অমত্তা লৈতে হায়বসিনি। মসিগী মথক্তা অতোপ্পা ইন্দষ্ট্রি অমনা টুরিজম ইন্দিষ্ট্রি অসিনি। অদুবু হায়রিবা ইন্দিষ্ট্রি অনিমকসি মণিপুর সরকারনা খ্বাইদগী হেন্না লায়থোক্লা খল্লবা দিপার্টমেন্ট ঙাক্তা ওইরি। করিগুম্বা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরিখক্তনা মণিপুরগী খ্বাইদগী মরুওইবা চাথোক পুথোক্লি হায়না লৌবা তারগদি অমদি মদু খঙলম্বা তারগদি মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট অসি খ্বাইদগী মেজর ওইবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা লৌরমগদবনি। মসি লৌফমসু থোকপা অমনি। অদুবু মদু খঙহৌদনা চত্থখিবা থৌওংশিংদগী ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা অচৌবা খঙনদবগী তাঙ্কক অমা লৈখি অমসুং মদুনা মরম ওইরগা দিপার্টমেন্ট অসি খ্বাইদগী শোনবা অমা ওইহনখিবনি। করিগুম্বা মণিপুরগী ইন্দষ্ট্রি অমদি রেভিন্যুগী চাং ৱাংখৎহনগে হায়বগী অপাম্বদু লৈরম্লবা অমদি চপ চানা অমত্তা ঙাইবা ইন্দিষ্ট্রি অদুগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহনগে হায়না খল্লম্লবা অমদি ফংহনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া লৈ হায়বসি পুন্না খঙমিন্নদুনা সেন্টরদগী প্রোজেক্ট কয়াগী শেন্থং লৌবা য়ারম্বদুসু মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মরী লৈনবা মীয়ামশিংদা থোইদোক্লা এৱার্নেস পীদবা অমসুং মশানা খঙদবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি খ্বাইদগী খুদোংথিবা মী লৈতবা, ওফিস্তা পার্ফোর্মেন্স ফত্তবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা ঙসিদি লৌনরে। খ্বাইদগী নুংঙাইত্রিবদি হৌখিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম কয়াদা মাইনর ইরিগেসনগী মতাং অসি দিপার্টমেন্ট ফগৎহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা খন্নবগী মহুৎতা দিপার্টমেন্ট অসিগী অশোইবা ঙাক্তা পুথোক্তুনা নৈনবগুম উখি। মরুওইবা দিপার্টমেন্ট অমদা মতিক চাবা শেলফম থাদদ্রবদি মতৌ করম্না দিপার্টমেন্ট অদুনা মথৌ তৌবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসিনা অহানবা ৱাহংনি। খ্বাইদগী লুবা অমনা মাইনর ইরিগেসন অমদি মতম অমগী এদুকেসন দিপার্টমেন্ট পায়নবা পোর্টফোলিও শিন্নরিবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা মিনিষ্টর অদু খ্বাইদগী মরাইবক থিবা চিফ মিনিষ্টরগা য়ানদবা মিনিষ্টর অমা ওইনা মীয়ামদা উই। মসিগী মরমদি য়ানদবা মিনিষ্টর অমনা মশাগী ফংফম থোকপা কেবিনেটকী বার্থ অদু লাক্লবসু মখোয়গী শক্তি অদু ফাজিন্নবা হোৎনবদগীনি হায়বা ফাওবা য়ারে। অহানবা শ্রী ইবোবীনা লুচিংবা সরকার অসিগী টার্মদা মীয়ামনা মাইনর ইরিগেসনগী থবক অসি শোইদনা পায়খৎতুনা মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা মফম কয়াদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহল্লক্কনি হায়না লৌখি। মদু ওইখিদে অমদি ঙসিসু লৌমীশিংনা ফংগনি খল্লিবা খুদোংচাবা অদু অহুম্লকশুবা টার্মদা ফাওবা চিফ মিনিষ্টরনা ফংহনবা ঙমদে। অসিগুম্বা ফিভম অমা লাক্কদৌরে হায়বসি উরকপা মতমদা নৌনা মাইনর ইরিগেসনগী চিফ ইঞ্জিনিয়ারগী থৌ পুরকপা মীওই অমদা মখল মখা কয়াগী প্রেসর পীরকপসু পোলিটিকেল হেন্দ খরা য়াওরমগদবা মাল্লি। মতম অমদা সেন্টরদা থাগৎখিবা প্রোজেক্ট কয়া অমা এম আই দিভিজনগী ওইনা ষ্টেটকী ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট পায়রিবশিংনা শেন্থং হেন্না থাদরক্লবা তকশিনবগী মহুৎতা মখোয় মশেলগী মরক্তা হুন্নদুনা লৈবদগী মণিপুরগী ওইনা য়েংবদা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অসি চপ চাবা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদবা দিপার্টমেন্ট ওইদুনা লাকপনি। মসিদি মতম মতমগী ওইনা কেন্দ্র কেন্দ্রগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কারকখ্রবা অমদি ওইরিবা মীওইশিং অদুনা হেন্না খঙফম থোকই। তৌবগীদি পোলিটিক্সতা খোঙদারিবা সোসিয়েল ৱার্করনি হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মৱা অসি মীয়াম্না কয়া লৌনদে। মদুনা মরম ওইরগা মখোয় মশেলগী লৌতুনবা মরক্তা ষ্টেটসিগী লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া অদু মাংহনখিৱা হায়বসি খন্থবা চুমগনি। মসি ফাওবা খঙদনা মশা মশাগী মরাল কঞ্জনবা হোৎনবদা মথৌ চুম্না তৌজরিবা ওফিসারশিংগী মথক্তা অকনবা ৱাফম কয়া থম্লকপা অমসুং মদুনা মরম ওইরগা মরাল লৈরবা মীয়াম্থু কনখৎলগা দিপার্টমেন্ট অসিদা তাইনবগী মওং অমা উরিবসি দিপার্টমেন্ট পুরিবা থৌদাং লৈবা ওফিসার অদুগী মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমহন্দবদগীনি হায়না লৌবা য়াই। মসিদা অমুক পোলিটিকেল ইনফ্লুয়েন্স কিদুনা মশাগী মতিক লৈরবা চিফ ইঞ্জিনিয়ার অমনা ফোংনা প্রোৱ্লেমশিং অদুগী মতাংদা শীংনবা অমগা লোয়ননা পুথোক্লম্বা তারগদি দিপার্টমেন্ট অসি অশোনবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরগ্লোইদবনি। মসিগী মতাংদদি মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা অমদি মঙোন্দা এদভাইস তৌরিবা মীওইশিং অদুনা দিপার্টমেন্ট অসিবু খঙদবগী খন্নহৌদবা থৌওং অমনি হায়না লৌগনি। মসিদা করিমত্তা অশোইবা লাক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈতে।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সমাজদা অচৌবা চৈথেং পীরবসু হিংনবগী পাম্বৈনি হায়দুনা তুমিন্না লৈথোক্কদৌরিৱা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চৎনবী হায়বসি মীওইবনা শেম্বনি। শেন্দাল লম্বীদা, চকচা য়ুথক্তা, য়ুম্লে কৈরৈদা মতম মতমগী মতুং ইন্না হান্না লৈরম্বা চৎনবীদগী অনৌবা অহোংবা কয়ানা মহুৎ শিঞ্জিল্লক্লি। অসিগুম্বা চৎনবীশিং অসিদা লমদমগী তুংগী মৈহৌরোলদা লৈখা তারক্কদবা কয়াসু য়াওরি। লমদমসিগী মীয়াম্না হিংনবগীদমক শেল তানবগী চৎনবী অমা ওইনা রেষ্টুরেন্ট হাংদুনা পাখং লৈশাবীদগী হৌরগা মতু মচা লৈরবা–মচা মৱা লৈরবী কয়াগী নুংশি চিল্লোকফম ওইহল্লিবসিসু মসিগী মনুংদা অমনি। হিংনবগী লম্বীনি শেল তাল্লিবনি হায়দুনসু তুংগী মীরোলদা, তুংগী জাতিদা লৈখা তাহৌগদবা থবক অদুদি তৌদবনা চুমগনি। লমদমসিগী চহি নৌরিবা নুপীমচাশিংদগী হৌরগা মৌ নহা ফাওবগী মাংফম লম্বী অমদি রেষ্টুরেন্টনা ওইরে হায়বসিদি লাল্লরোই। মশানা য়ানবু ওইরো য়াদনবসু ওইরো ফত্তবা লমচৎ চৎফম অরাইবা মফম অমা রেষ্টুরেন্টশিংদা ওইরে। অদুনা অসিগুম্বা রেষ্টুরেন্ট হাংদুনা নুংশি নুংওংশিংগী শাথুপফম পীদুনা শেল তাল্লিবা রেষ্টুরেন্টশিং অসি তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়না তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকফম থোক্লে।

মমা মপানা অশা চাওনা তৌজবী পরিক্ষাদা দিভিজন ৱাংনা পাস তৌজবী নুপীমচা কয়া চৎনবীনি নুংশি নুংওলনি হায়দুনা রেষ্টুরেন্টতা মীকুপ খরদং ফম্লুবদা নম্ফুদা য়ুম্বানবগী লম্বীদা খোঙদাহনখিদুনা অরেম্বা মাংখিবা কয়া তত্তনা থোক্লি। অদুগী মথক্তা লৌনম হৈবা মশাগীদা খনবা নুপাশিংনা চমজরবী নুপীজা কয়াবু লায়না নমথাক্কী লাংদা থুহনবদা য়াম্না লায়বা মফম অমসু রেষ্টুরেন্টনা পীদুনা নুপীজা কয়াগী খাঙুথক্তা পীখম্নহন্নবগী লম্বী অমসু ওইরি। রেষ্টুরেন্টনা লৈখা তানা চন্নফম খঙদনা পুন্সি চুপ্পগী অৱাবা ৱাখলগী ঈপাক্তা লুপ্তুনা পুন্সি লেনবা লমদমসিগী নিঙোল মশিং হেনগলক্লি। অসিগুম্বা ফৎত্রবা মফম অসিবু ঐখোয়না শেল তাল্লিবনি হায়দুনা য়েংদুনা লৈথোকপা তুংদা নিঙমদবা লাক্কনি। ঐখোয় মুন্না খন্থমিন্নরসি।

অদোমগী
অঞ্জু লাইশ্রম
কাঞ্চিপুর

# ঈশিং ফংদবগী অরুবা ৱাফম (১)

**মতমগী** মতুং ইন্না ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা অহোংবা লাকপদগী অমসুং লৈঙাক খুনাইগী তৌফম থোকপা থৌদাং লৌনরক্তবা মরম্না চহি খুদিংগী মার্চ এপ্রিল মে থা লাকপদা ঈকং থোকপগী ফিভম লেপ্তুনা মায়োক্লুরক্লি। মসিবু থোকহনবগী হৌরকফম অসি মালেমগী থাক্তা অমসুং লমদমসিগী অকোইবগী থাক্তা কয়ামুক লৈরবসু, মদুবু তুংকোইবা মওংদা অমসুং অথুবা মতমগী ওইবা মওংদা ৱাখৈরোল পীবগী থৌওংশিংদি মায় পাকপা ঙমদনা লৈরি। ফিভম অসিদদি লাক্লিবা চহিশিং অসিদসু ঙসিগী ওইরিবা ঈশিং ফংদবগী ফিভম অসিমক মায়োক্লুরক্কনি নত্রগা অহেনবা মওংদা মায়োক্লুরক্কনি হায়বসিদি লাল্লরোইদবা ৱাফমনি। অদুবু ফিভম অসিবু লৈঙাক খুন্নাইনা খঙনা খঙনা পায়খৎফম থোকপা থৌরাংশিং অদুম্মক পায়খৎতনা লৈরিবা অসিমক্তি য়াম্না লাল্লবনি। তাঞ্জা অমদগী হন্দক নোং মচিৎ অমখক তারকপনা মীয়ামগী অৱাবা খরদি মতম খরা হন্দোক্লুরবসু, নোং হেক হাংখিবগা ঈশিংগী খুদোংচাদবা হান্নগুম্না মায়োক্লগদৌরিবনি। লমদমসিদা ঈশিংগী ৱাথোক অসি তশেংনা অরুবা ৱাফম ওইরিবনি।

মীওইবনা হিংবগী হক লৈজবগুম্না, ঈশিং ফংজবগী হকসু লৈজে। মরমদি, মীওইববু হিংহল্লিবা পোৎলম পোখোকশিং ফংজবগী হক লৈজে। মীওইবগী পুন্সিদা ঈশিংগী মথৌ তাবা অসি অশুক্কী মতিক মরুওইনা লৌনরিবনি। ঈশিংবু হক অমা ওইনা লৌবদা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটসকী চেরোল অমনা হায়রি। "মীপুম খুদিংমক্তা মশাগী অমসুং য়ুমগী ওইনা শিজিন্ননবগীদমক্তা অমাঙ অতা লৈত্রবা, মতিকচারবা, মীওইবনা য়ানিংবগী মগুণ লৈবা ঈশিং অদু কোন্নগদবা চাংদা মীওইববু ফংহনবগী হক লৈজে। দিহায়দ্রেসন্না শিহনবদগী কলহৌনবা, ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়নাগী খুদোংথিবা হন্থহনবা অমসুং ইমুং মনুং অমদি মশা মশাগী হকচাং নাদ–য়েক্তনা লৈহন্নবগী, চাক থোংবা থাকপগী অমসুং থকপগীদমক্তা অমাঙ অতা লৈত্রবা ঈশিং মখলগী মতিক চাবা চাং অমা ফংহনবগী মথৌ তারি।" অদুবু অৱাবদি, অসুক্কী মতিক মরুওইখ্রবা ঈশিং অসি ফংবা ঙমদ্রি নত্রগা শিজিন্নবা য়াবগী গুণ চেনবা ঈশিং ফংদ্রি। মালেমগী থাক্তা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১০০ হেনবনা চহি খুদিংগী মাঙ তাক্লিংঙাই ওইবা ঈশিং শিজিন্নরি। মসিনা অঙাংশিংদা কা হেন্না শোকহল্লি। চাংচৎ অমদা অসিগুম্বা ঈশিংনা মালেমগী থাক্তা নুমিৎ খুদিংগী অঙাং ৩৯০০ হেন্না হাৎলি, সেকেণ্ড ১৫ খুদিংগী অঙাং অমমম শিহল্লি। মালেমগী মীওই ১০ গী মনুংদা মীওই ৪ না ইচম চম্না শাবা অমাংশঙদা চঙবগী হক ফংদ্রি। অমসুং মীওই ১০ গী মনুংদা মীওই ২ ফাওবনা অমাঙ–অতা লৈত্রবা ঈশিং ফংজবা ঙমদ্রি। লুরিবদি, ফিভম অসি চাউখৎত্রিবা লৈবাকশিংদনা হেন্না ফত্তনা লৈরি।

**হাওবা**

থোইদোক্লা শিংথাবা য়াবদি, য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইং কুমজা ২০০৫ দগী ২০১৫ ফাওববু 'ৱাটর ফোর লাইফ' কী পান্দম ছঙশিন্নবা 'অনিশুবা ইন্টর্নেসনেল দিকেদ ফোর এক্সন' লাউথোক্তুনা চত্থরকখিবা পান্দম অসিনি। অহানবা দিকেদ (১৯৮১–১৯৯৯) না মালেমগী মীওইবনা খুন্দারিবা লমদম পুম্নমক শিন্থুংনা অশেংবা থকপা য়াবা ঈশিংবু ইং ২০০০ ফাওবগী মনুংদা ফংহন্নবা চত্থরকখিবনি। অদুবু মায় পাকখিদে। ইং ২০০০ দদি মালেমগী মীওই ক্রোর ১৫০ না অফবা ঈশিং ফংখিদে। ক্রোর ২৮০ না সেনিটেসন য়াওদনা লৈখি। মসিদগী চাংচৎ অমদা নোংমদা মীওই ১৫০০০ দগী ৩০০০০ ফাওবনা নারগা শিখি। মালেমগী লৈবাকশিংনা সেপ্তেম্বর ২০০০ দা 'য়ুনাইটেদ নেসন্স মিল্লেনিয়ম সম্মিট' অমা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোক্তুনা 'মিল্লেনিয়ম দিভলপমেন্ট গোলস' (এম ডি জি) অসি চত্থরকখিবনি। ইং ২০১৫ দদি মালেমগী লাইরবা মীওই ক্রোর ৩০০ হেল্লগনি অমসুং মীওই ক্রোর ১৫০ দগী ২০০ ফাওবনা অফবা ঈশিং থকপা ফংলরোই হায়না লেপ্পখিবা মতুংইন্না এম দি জি (২০১৫) অসি চত্থরকখিবনি।

অসুম্না পুম্নমক অসি য়েংলুরগা, ২১ শুবা চহিচাগী লাঞ্জাওদি ঈশিংগী লাঞ্জাও ওইগনি হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল কোফি আনাননা হায়রম্বা লৈরি। মতিক চাদবা থৌশিল, মতিক চাদবা চৎন–কাংলোন, মনুং ফাওনা উহনবা থৌওং (ত্রান্সপরেন্সি) লৈতবা অমসুং পব্লিক পার্টিসিপেসন লৈহন্দবা থৌওংশিং অসিনা ঈশিং ফংহনবগী থৌশিল থৌরাংদা অরুবা ৱাফম মায়োক্লুরকপনি। তুরেলগী ঈশিংনা পুমচোৎ চোৎপা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক অমনা ঈশিং তাঙবা, মোৎশিলহনবা (পোল্লুসন) অমসুং ঈকং মায়োক্লফম থোকপ্রা? মসিদি ঈশিংগী থৌশিল থৌরাং (মেনেজমেন্ট) মায়থিরে তাকচবনি। মালেমগী দিমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক্লি হায়জবা ইন্দিয়াগী য়াম্লবা মীয়াম্না ঈশিংগী হক ফংদবগী খ্বাইদগী অহৌবা খোঞ্জেলনি।

ইন্দিয়াগী কুমগী নোংজুদগী চহি অমদা ফংলবা ঈশিংগী চাং অসি ৪০০০ বিল্লিয়ন ক্যুবিক মিটর (সিবিএম) নি। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরিবা অশুক য়ামখ্রবা ঈশিংনা অপুনবা খুদোল অসিগী মনুংদা শরুক মরি থোক্লগা শরুক অহুম হেনবা ঈশিংনা মনিল ওইনা মাঙখিবা, লৈনুংদা লুনা চুপশিনখিবা অমসুং সমুদ্রগী ঈপাক তমখিদুনা মাঙহনবগী ফীভমদা লৈরি। লেমহৌরিবা ঈশিং ১১০০ বি সি এম অদুনা ইন্দিয়াগী লৌউ–শিংউ চত্থরিবা লমদমশিংদা চাদা ৪০ খক্তংগী ঈশিং হায়বদি ৪৩০ বি সি এম খক্তংগী ঈশিং ফংহনবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা লৈরিবা ঈশিং ফংফমশিংদি নোংজু থাদা ময়াই তোঙনা চেন্দুনা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লম্বগা লোয়নন সমুদ্রগী ঈপাক ঈরোনুংদা তিনখ্রিবা মশিং য়াম্লবা, চাউর শাংলবা তুরেলশিং, মহৌশাগী অমদি খুৎশেমগী খোঙলমশিং, পুখ্রিশিং

> ইন্দিয়াগী কুমগী নোংজুদগী চহি অমদা ফংলবা ঈশিংগী চাং অসি ৪০০০ বিল্লিয়ন ক্যুবিক মিটর (সিবিএম) নি। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরিবা অশুক য়ামখ্রবা ঈশিংনা অপুনবা খুদোল অসিগী মনুংদা শরুক মরি থোক্লগা শরুক অহুম হেনবা ঈশিংনা মনিল ওইনা মাঙখিবা, লৈনুংদা লুনা চুপশিনখিবা অমসুং সমুদ্রগী ঈপাক তমখিদুনা মাঙহনবগী ফীভমদা লৈরি।

অমসুং গুহাশিং অসিনচিংবা তুংকোইবা মওংগী থৌশিল থৌরাং য়াওদ্রবা অমসুং চেকশিননা শিল্লাঙবীদবনা থল্লবা ঈশিংগী লনগৈশিং অসিনি।

ইং ২০২০ দদি মালেমগী মীশিং অসি ক্রোর ৭৯০ হেল্লগনি অমসুং মালেমগী মীশিং তঙ্খাই অমনা ঈশিং তাঙবা মায়োক্লুরগনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়রি। 'সেন্ট্রেল গ্রাউন্দ ৱাটর বোর্দ' কী মতুংইন্না, ইন্দিয়াগী গ্রাউন্দ ৱাটর অসি পঙশিন শিজিন্নরবদি, ষ্টেট ১৫ হেনবনা শাথিনা ঈশিং তাঙবা মায়োক্লুরগনি। ইন্দিয়াগী অপুম্বা মীশিংগী চাদা ৩৩ না খমথেংনা ঈশিং তাঙবা থেংনরগনি হায়না 'ইন্টর্নেসনেল ৱাটর মেনেজমেন্ট ইন্সটিট্যুট' না হায়রি। 'নেসনেল ৱাটর পোলিসি ২০০২' (ওফ ইন্দিয়া) না ঈশিংগী চৎন–কাঙলোন নিংথিনা চৎনহনবা ঙমদনা লৈরি। ফিভমশিং অসিনা লাক্লিবা চহি ২০ গী মনুংদা করি ওইরক্কদগে খল্লুবদা অৱাবগী মশক ওইনরি।

# লুপয়াম মরকসিদা

**য়ু** থিংবগী লুপয়াম মরক্তা ঙরাং নহান্দি মণিপুরদা লৈরিবা য়ুথকপশিংগী ওইবা চাউরবা লুপ অমখক শেল্লনি হায়দুনা ঙাংনবা তারকই। ইম্ফাল ময়োলদা রেল্লি চৎলগা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি হায়নৈ। ঐনা খনবদা অমুকোনা শিনখিবদগী শরুক চাম্মা হেনগনি হায়বসিনি। ঐখোয় ইবাই নিমাইচান্দনা সেক্রেটরি ওইরবা য়ানা লৈ। মখোয়গী পেন্দবা য়াম্না লৈরম্বসু য়াই। "কালৈ কনবা লুপ" হায়বসিনি মখোয়না পামহৌবা লুপকী মীংথোল। ঙসি মণিপুরদা শেন্দোংখক্কী য়েংদুনা য়ুদা পোৎয়ান তৌরিবশিংসু থিংগনি হায়রি। মখোয়না মণিপুরদা য়োল্লিবা য়ুঙাংশিংবুদি মরু ফংনা মুত্থৎপা পাল্লি। লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবা য়ুঙৌবু মুৎখিদনবা অমদি তাংলবা মাগী মগুণ হন্থহন্দবসু মখোয়গী পান্দমদা য়াওরি। য়ু থক্লিবা অমদি য়োল্লিবা কাংবুশিংদা চৎন–পথাপ লাউথোক্কদৌরি। চহি কুনহুমদোই শুদ্রিবা অঙাং নহাশিংদা য়ু থকহনবা অমদি য়োনশিনবা য়ারোই হায়। থক্লিবা কাংবুশিংনা লম্বী শরক্তা অমদি ইমুং মনুংদা অয়েৎ অকাই, খৎন–চৈনবা থোকহল্লবদি দন্দি পীগনি। চহি হুম্ফুমঙাদগী হেল্লবা য়ু থকপশিংদি চাং কক্লা অয়ুক নুমিদাংগী চাকচামাংদা গীলাস রিং অনি অনি পীথক্কনি। য়ু থক্তবা মীনা য়ু কৈদৌনুংদা থিংবা ঙম্লোই, মায় পাক্লোই হায়বসি মখোয়গী অচেৎপা থাজবনি। ঐদি মখোয়গীদমক য়াম্না পাখৎপী। য়ু থক্লগা গাড়ী থৌবসু পুরা য়াহল্লোইদৌরি। মসিমদি ফৈ হায়দবা ঙম্লোই। পুলিসশিংনা মাগী ওইনা য়ুয়োনবশিংদগী পৈশা খোম্বা য়ারোই। অথকপশিংদগী ফাইন লৌবসু য়ারোই। মখোয়না য়ু থক্কদৌরিবশিংতগী ওইনা আই–কার্দ পীগনি। কার্দ পায়দবা মীনা য়ু থক্লম্লবদি ফাইন চাউনা থিহনগনি হায়না য়াম্না কোম্না হায় অদুগা মালেম্না হেক মুৎত্রি–ফাওবদি য়ুঙাং মুৎঙম্লোই, মণিপুরনা হেক মাংদ্রিফাওদি য়ুঙৌ মুৎলোই হায়দুনা মখৌ পোংনা লাউহৌই। ঐদি মখোয়গী ৱাদু শ্বাই শ্বাই লাউই। য়ুবু হু ওইনা শিজিন্নবীগনু, হিদাক ওইনা শিজিন্নবীয়ু হায়দুনা য়ুমথোং খুদিং পাউজেল পীগনি হায়। খল্লুবদা ঙকপু ঙকই মখোয়গী খোঙথাং অমসুং ৱারেপ। মেম্বর লৌনবা য়ুমথোং খুদিং চৎকনি হায়। মোদিগী বি জে পি মেম্বর খোম্বগুম্বজাৎনি। য়ু থক্লিবশিং পুনশিল্লগনি হায়বসিদি কিবু কিজে। য়ু থক্তবা ইমুং থোইনা লৈত্রবা মতমনি। মখোয় ঙাক্তা পুল্লগা লুপ অমা শেম্লকপা হায়বসি কিনিংঙাইনি। মখোয়না কনাবুসু কিরক্কদবা মান্দে। মাখোয়গী মরক্তা শেল পায়বা কয়া, ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, আই এ এস, উকিল অমদি প্রোফেসার কয়া মশিং থিঙমদনা য়াওরি হায়। অফাউবা উকিল, পুলিস কয়ানা ফৈগাক ফৈনা ঙাক্কদৌরি। ঐখোয়গী মন্ত্রি ফম্নাইশিংসু লুপ অসিদা য়াওরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে কাইনা মুকখাইনা হায়নৈ। ঐনা খনবদা মমাংদা অমাদা অমদি কাদা য়াওরম্বশিংনসু চোংশিল্লকপা য়ানা লৈরি। ইবাই নিমাই–চান্দহোয় হন্দক্তি ফিরাল মমাই চুমখৎলক্লি। হন্দক্কী মতাংসি কুম্মৈ ওইরবা য়ারি। নুপী কাংবুদগীসু য়াম্না য়াওরক্কদৌরিমাল্লে। লুপসিগী মেম্বরশিং অমাদা /কাদানা ফুরম্লবদি মখোয়গী উকিল–পুলিসনা চপ চানা থেংনগনি হায়রি। য়ুবু চাং কক্লা শিজিন্নরিবা মীশক অমনা হকচাং ফনা কুচু ফজনা থমদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙমই হায়বসিনি মখোয়গী থাজবা। য়ু থকপা মীগা, থক্তবা মীগা থম্মোয় চাউবা, মীনুংশি লৈবদি অথকপশিংনা য়াম্না হেল্লি হায়। মমা লৈবাকসু অথকপনা হেন্না নুংশি কাইনা ইবাইনা তোয়না পল্লি। ইবাইহোয়না হায়বদি য়ু থক্লিবা মীওইশিংবু য়াম্না তুক্কচনা, হন্থনা সমাজনা য়েংলিবসি য়াম্না লাল্লি। পুন্সি হায়বসি য়াম্না ক্রক ক্রক লাকশিন্দুনা থম্বসু য়াদে। ঙাইহাক অৱা পোত্থানবগী মতম কাইথোকপা দরকার ওই। য়ুদা ফজনা লাইচুরবশিংগী মখোয়না সেন্টর হাংদুনা নিংথিনা ভাব তাহনগনি হায়বসিমদি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি হায়দবা য়ারোই। ঐদি খঙদে, চহি শুদ্রিবা অঙাং নহাশিংবু য়ু থকপা য়ারোই কাইনা থিংলক্কদৌরিবসিমদি য়াম্নমক পৈঞ্জে। ঐখোয় মনিংগী ইতৈমা নন্দিতাহোয়সু য়ু থক্লুরবনিনা মখোয়গী মেম্বর ওইবা তারি। মখোয়না য়ুঙৌ ফেক্টরি লিংদুনা মপান্দা থাদোক্লবগী পান্দম থল্লি। মখোয়না হায়বদা শেকমাইগী নোঙ্গৌবীদি কাচানি। অমা ওইগেরা, ঐখোয়না খনবদি লুপয়াম মশিং হেঙ্গৎপা হায়বসি য়াম্না ফৈ। তুং কোইনা চৎত্রবদি কান্নদে। ইবাইহোয়না লুপ অমা লিংখৎলনি। হায়দুনা নামৈ তাখৎ, ফেংনদুনা লৈরিবসি ঐখোয় খুদিং তুমিন্না লৈশিল্লোইসি। মা–মানা মনিং পংতৌ তৌহল্লবদি লুপয়াম্না ৱাই চাইরক্তুনা মমল য়াওরক্তবসু য়ারি। হন্দক্কী 'কালৈ কনবা লুপ' হায়রিবসি থিংহৌসিরা নত্রগা শৌগৎশিরা হায়বদুদি লৈবাক মীয়াম্না নৈনবীরো। ঐদি করিসু হায়জরোই।

**কোংখাম রাথো**

# মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং স্কিল্লিং ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা দরকার ওইবা চাং অদু ইকোনোমিক সর্ভেনা উৎলি

"মেক ইন ইন্দিয়া" গী তৌদবা য়াদ্রবা হোৎনগদবা অমসুং অনৌবা সরকার অসিগী মরুওইবা পান্দমগী পোলিসি অসি ইকোনোমিক সর্ভে ২০১৪–১৫ দা খন্নখ্রে। সর্ভে অসিনা মপুং ওইনা উৎলি, "ইন্দিয়ানা করি শাগনি? করি পুথোক্লি নত্রগা করি থবক?" অহানবা মরুওইবদি, ষ্টেটশিং সর্ভে তৌবনি। মদুদি মওং মতৌ হোংদোক্লবা অমসুং পাক চাওথোক্লবগী পান্দমগী মতুং ইন্না অনস্কিল লেবরশিংগী রিছোর্সেস ইন্দিয়ানা শিজিন্নবনি।

সর্ভে অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। মদুদি মহৌশানা পোখোক পুথোক্লিবশিংদগী য়ান্নদুনা চৎনবা পোখোক পুথোকপা কাংলুপশিং রেজিষ্টার তৌবা মদুদা ময়েক শেংনা খঙনদ্রিবা কাংলুপশিংবুসু য়াওহল্লি। ইকোনোমিক সর্ভে অসিনা রেজিষ্টার মেনুফেকচরিং (পোখোক পুথোক্লবা) বু মশক খঙনা মদুদি "য়াম্না কানগদবা মওংদা থবক থৌওং হোংদোক্লবা"। পোখোক য়াম্না হেন্না পুথোক্লবা রেজিষ্টার মেনুফেকচরিংনা অতোপ্পা ইকোনোমি সেক্টরশিংদা চাংদম্নদুনা উৎক্কদবনি।

অদুম ওইনমক, ইন্দিয়াদা পোখোক পুথোকপদা অতৈ লৈবাকশিংদগী হন্থনা লৈহৌবা মেনুফেকচরিংবু ইকোনোমিক সর্ভে অসিনা য়েংশিল্লি। সর্ভে অসিনা খঙহল্লি মদুদি ইন্দিয়া পুম্নমক্কী ষ্টেটশিংগী ওইনা উৎলিবা জি দি পি হন্থবা ষ্টেট খঙহল্লি। লোইননা সর্ভে অসিনা থাক্লি। মদুদি ইন্দিয়াগী লমদমগী মান্নদবা লৈরিবা অসি রেজিষ্টার মেনুফেকচরিংনা শমজিনবা ঙমদে। মসিদা অমুক হেঙ্গৎনা পীরি মদুদি হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা রেজিষ্টার মেনুফেকচরিংনা স্কিল লৈরশিং মশক তাক্লি মসি ইন্দিয়াগী চাংদম্নবা য়ারবা খুদোংচাবা ফংলবা অন স্কিল লেবরশিংগীদি মনুং চনদে।

**পি আই বি ফিচর**

ইকোনোমিক সর্ভে অসিনা ইকোনোমিক গ্রোথকী ইঞ্জিন অমা ওইনা নন দিভলপমেন্ট ওফ মেনুফেকচরিংগী ফেক্টর মরি মশক তাক্লি।

– লেবর মার্কেটতা মওং তাদবা
– মার্কেট কেপিটেলদা মওং তাদবা
– লেণ্ড মার্কেটতা মওং তাদবা
– ইন্দিয়াগী অন স্কিল লেবরগী চাংদমনিংঙাই খুদোংচাবগী থোইদোক হেন্দোকপা লম্বী লৈতে।

চপা চাবা সার্ভিসকী সব সেক্টরশিং ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসেস এন্দ বিজিনেস সার্ভিসেস, মসি রেজিষ্টার মেনুফেকচরিংদগী হেন্না হেন্না পোখোক পুথোকপগী থাকশিং অদু উৎলি। অদুম ওইনমক সেক্টরশিং অসি য়াম্না হেন্না হৈ শিংই (কন্সত্রক্সন য়াওদবা) তৌবদি লেবর কাংলুপ্তা হৈশিংবগী মাইকৈদদি য়াওদে। মখোয় অসি পাক শন্না শরুক য়াবা অমসুং গ্রোথকী মনুংদা চন্দ্রি। অদুম ওইনমক সর্ভে অসিনা তাক্লি মদুদি সার্ভিস সেক্টরনা লমদম শিনবা থুংনা দোমেষ্টিক গ্রোথকীদমক য়াম্না মরুওই।

মরম অসিনা সর্ভে অসি মেনুফেকচরিংগা সার্ভিসেসকা শিংনরিবা অসি য়েংলগা অমুক হন্না দ্রাফট তৌরে। মসি খন্ননবা মাংথানা পুখৎলে মদুদি ঐখোয়না নন–স্কিল লেবর ইন্টেন্সিভ সেক্টরশিং নত্রগা স্কিল ইন্টেনসিভ সেক্টরগী দিভলপমেন্ট অসি করম্বনা পাম্মী হায়বা ৱাহং লাকপদগীনি। ইকোনোমিক সর্ভে অসিনা লৈবাক অসিগী ইন্দিয়াগী গ্রোথ অসি তুংদা হৌরক্লিবশিংগী খুদোংচাবা মাংদনবা লৈরিবা স্কিল হন্থবা লেবর লোয়ননা স্কিল দিভলপ তৌরবা লেবর অসি চাং মান্নদা চাংদম্নদা খুদোংচাবা পীবগী ৱাফম অসি য়াওরি। রেজিষ্টার তৌরবা মেনুফেকচরিং অসি পাকথোক চাওথোকহন্দুনা ইন্দিয়াগী মরাং কায়না লৈরবা অন স্কিল লেবর থাঙ্গৎনবা (পুখৎনবা) তৌগনি। মতাং অসিদা "মেক ইন ইন্দিয়া" না মরু ওইবা পান্দমদা কোনশিল্লি। ইন্দিয়াগী দিভলপমেন্ট অসি "মেক ইন ইন্দিয়া" অমসুং "স্কিল্লিং ইন্দিয়া" দা মখা পোন্দনা অহোংবা পুরক্কনি।